## কোপা অমেরিকা কপ ২০১৬

# আর্জেন্টিনা অমসুং চিলি মায় পাকখিবদগী কোপা অমেরিকাগী ক্কার্টর ফাইনেল লাইন–অপ লোইখ্রে






বোলিভিয়াবু পাঙ্গল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা আর্জেন্টিনাগী টিম্না হরাওবা ফোঙদোকপা

সিএটল/ফিলাদেলফিয়া , জুন ১৬ ঃ

কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অরোইবা লীগ মেটচ অনীদা মায় পাকখ্রবা আর্জেন্টিনা অমসুং চিলি য়াওনা টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১০০ শুরকপা ইদিসন অসিবু অহানবা ওইনা য়ু এস এ না য়ুম্ফু ওইরকপদা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌরকপা ঙম্বা টিম ৯ গী মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে।

য়ু এস এ গী সহর সিএটলদা লৈবা সেঞ্চুরি লিঙ্ক ফিল্ডদা শান্নখিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'দি' গী অরোইবা লীগ মেটচ অমদা আজেন্টিনানা বোলিভিয়াবু পাঙ্গল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপদা আর্জেন্টিনানা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্লুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

গ্রুপ অসিমক্কী ফিলাদেলফিয়া সহরদা লৈবা লিনকন ফাইনাইন্সিয়েল ফিল্ডদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চিলিনা পানামাবু পাঙ্গল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিদগী আর্জেন্টিনাগা লোয়ননা মখোয়সু ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সিএটলদা আর্জেন্টিনা অমসুং বোলিভিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু আর্জেন্টিনানা শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা মেটচকী পাঙ্গল অহুমক চনবা ঙমখি। আর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঙ্গল অদু শান্নবগী ১৩ শুবা মিনিটতা লামেলানা চনবা ঙমখিবনি।

লামেলাগী অহানবা পাঙ্গল অদু চনখিবা মতুং মিনিট ২ মপুং ফাদ্রিঙৈদা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোই লাভেজিনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনিটতা পাঙ্গল অমগা চন্দুনা বোলিভিয়াবু য়াম্না ঙন্না পাঙ্গল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

পনবা য়াবদি বোলিভিয়াগী টিম অসি গ্রুপ 'দি' দা মখোয়না শান্নখিবা মমাঙগী মেটচ অনীমক চিলি অমসুং পানামাগী মখুত্তা মায়থিবা নংখিবনি। ঙসি মখোয়না আর্জেন্টিনাগা শান্নবা অরোইবা লীগ মেটচ অদুদা অহানবা হাল্ফগী মিনিট ১৫ গী মনুংদা পাঙ্গল শোৎখরবা মতুং ৩২ শুবা মিনিটতা আর্জেন্টিনাগী কুয়েষ্টানা পাঙ্গল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা আর্জেন্টিনানা থোইখি।

ফিলাদেলফিয়াদা শান্নখিবা চিলি অমসুং পানামাগী মেটচ য়াম্না মরুওইখিবনি। মখোয় অনীমক পোইন্ট ৩। ৩ ফংদুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা মায় পাকপা টিম অদুনা কোপা অমেরিকাগী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

শান্নবগী ৫ শুবা মিনিটতা পানামাগী মায়কৈদগী কমার্গোনা পাঙ্গল অমা চনবা হৌখি। মদুগী মতুং চিলিগী মায়কৈদগী বর্গাসনা মেটচ অদুগী ১৫ শুবা অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা পাঙ্গল অনী থংন–থংননা চন্দুনা পানামাবু মখোয়না ২–১ দা হেনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চিলিগী মায়কৈদগী ৫০ শুবা মিনিটতা পাঙ্গল অমগা চনখি। অদুবু মহাক্কী পাঙ্গল অদু পানামাগী এরো য়োনা হন্দোক্লগা পাঙ্গল ২–৩ দা লৈখি।

শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনিটতা চিলিগী সাঞ্চেজনা মহাক্কী অনীশুবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা পানামাবু পাঙ্গল ৪–২ দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

থা অসিগী ১৭ তগী হৌগদৌরিবা ক্কার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এ অমসুং ইক্কাদোর, পেরু অমসুং কলম্বিয়া অমদি জুন ১৯ দা আর্জেন্টিনা অমসুং ভেনিজ্বেলা অমদি মেক্সিকো অমসুং চিলি শান্নগনি।



পানামাবু পাঙ্গল ৪–২ দা থোইখিবদা পাঙ্গল ২ চনখিবা বর্গাজ (ওই)

**Copa America 2016 Match Result**

| Date | Match | Score |
| --- | --- | --- |
| 15/06/2016 | Chile vs Panama | 4-2 |
| 15/06/2016 | Argentina vs Bolivia | 3-0 |

**Quarter Final line-up**

| Date | Match | Time(IST) |
| --- | --- | --- |
| 17/06/2016 | USA vs Ecuador | 7:00 AM |
| 18/06/2016 | Peru vs Colombia | 5:30 AM |
| 19/06/2016 | Argentina vsVenezuela | 4:30 AM |
| 19/06/2016 | Mexico vs Chile | 7:30 AM |

## য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬

# ওষ্ট্রিয়াবু হঙ্গেরিনা থোইখ্রে পোর্টুগাল অমসুং আইসলেন্দ দ্রো চৎখ্রে, রুসিয়াবু স্লোভাকিয়ানা পাঙ্গল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে






ওষ্ট্রিয়াগী মায়োক্তা হঙ্গেরিগী শান্নরোইশিংনা পাঙ্গল চনবা ঙম্লনবা এটেম্প তৌখিবা মেটচ অদুগী মতাং অমা

বোর্দিও, সেন্ট ইন্টেনি /ভিলেনু জুন ১৫ ঃ

য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়াবু হঙ্গেরিনা পাঙ্গল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ঙসি অঙনবা শান্নখিবা মেটচ অমদনা পোর্টুগাল অমসুং আইসলেন্দগী মেটচ অমদা পাঙ্গল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে অদুগা রুসিয়াবু স্লোভাকিয়ানা পাঙ্গল ২–১ দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা ফ্রান্সকী সহর বোর্দিয়োদা লৈবা নোভিও ষ্টেদিয়মদা ওষ্ট্রিয়া অমসুং হঙ্গেরিনা গ্রুপ 'এফ' কী অহানবা লীগ মেটচ শান্নবদা হঙ্গেরিনা পাঙ্গল ২–০ দা থোইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা পাঙ্গল মান্নবদগী পাঙ্গল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদবনি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ১৮ চঙশিল্লকপদা হঙ্গেরিগী মায়কৈদগী জলাইনা মেটচকী অহানবা পাঙ্গল অদু চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী মখা তাবা মতম অদু ওষ্ট্রিয়ানা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মথক্তঃ হঙ্গেরিনা চনশিনখিবা পাঙ্গল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবা লোইগদবা মিনিট ৩ তমক ঙাইরবা মতমদা হঙ্গেরিগী মায়কৈদগী ষ্টৈবরনা পাঙ্গল অমগা হাপচিন্দুনা গ্রুপ 'এফ' কী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু ওষ্ট্রিয়াবু হঙ্গেরিনা পাঙ্গল ২–০ দা থোইবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি অঙনবদা শান্নবা পোর্টুগাল অমসুং আইসলেন্দগী মেটচ য়াম্না নুংঙাইবা মেটচ অমা ওইখি। পোর্টুগালগী টিমদা মালেমগী মমিং লৈরবা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা শরুক য়ারিবা পাঙ্গল চনবগী পাঙ্গলদা লম্বা থিবা ৱারবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো শরুক য়াখি।

রোনাল্ডো চথরিবা য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা মশা ফিট ওইদবনা মরম ওইরগা শরুক য়ারোইদবগী ফিভমদা লৈরম্বনি। অদুবু ঙসি মহাক য়াওনা পোর্টুগালনা য়ুরোপকী ফুটবোলদা মমিং পাবদা য়াওবা ঙমদ্রিবা আইসলেন্দগা লম্বা তৌনরকপদা মখোয়না খল্লম্বা মওংদা মেটচ অদু খুদুম চনবা ঙমখিদে।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল অদু পোর্টুগালগী ষ্ট্রাইকর নানিনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা আইসলেন্দবু পোর্টুগালনা পাঙ্গল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফকী লোইগদবা মিনিট ১৫ রোমগী মতম অদুদা পোর্টুগালনা মখা তাবা পাঙ্গল চনবা ঙমদ্রিঙৈ অমদি আইসলেন্দনা মখোয়গী ইক্কেলাইজর ফংবা ঙমদ্রিঙৈদা পোর্টুগালনা পাঙ্গল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌকরকপা মিনিট ৫ চঙশিল্লকপদা আইসলেন্দগী মায়কৈদগী ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা ফিল্ডগী য়েৎথংবা মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল আইসলেন্দগী মায়কৈদগী বি জমেশোন্না ইক্কেলাইজর অদু চনখি।

পাঙ্গল অমমম মান্নবদগী ফিফাগী রেঙ্কিংদা থাক ৱাংনা খেৎনদুনা লৈরিবা পোর্টুগালগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঙ্গল চন্নবা মখোয়গী পাঙ্গল পুন্নমক পুথোকপা হৌরকখি। বোল হেন্না পায়বা ঙমখ্রবু মখোয়না পামখিবা অহেনবা পাঙ্গল অদুদি ফংবা ঙমদনা লৈখি। মেটচ অদুগী অরোইবা মিৎকুপ্তা পোর্টুগালনা ফংখিবা ফ্রি কিক অদু অরোইবা খোঙগাও ওইনা রোনাল্ডোদা শিন্নখি। মহাক্কী সোট পাঙ্গল ওইবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

গ্রুপ 'বি' গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রুপ মেটচ অমদা রুসিয়াগী টিম্বু স্লোভাকিয়ানা পাঙ্গল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদু ফ্রান্সকী সহর ভিলেনুভেদা লৈবা পিয়ারি মোরোই ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ৩২ শুবা মিনিটতা স্লোভাকিয়াগী মায়কৈদগী ৱৈসনা পাঙ্গল অমা চন্দুনা রুসিয়াবু মখোয়না অহানবা হাল্ফ অদুদা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

স্লোভাকিয়াগী ৱৈসনা মেটচ অদুদা পাঙ্গল অমা চনবা ঙমখ্রবা মতুং শান্নবা অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিৎকুপ খরদমক ঙাইরবা মতমদা স্লোভাকিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই হমসিক্কা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা রুসিয়াবু মখোয়না মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পাঙ্গল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঙ্গল অনী মাঙজিল থারবা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা অহেনবা পাঙ্গল থিনবা হোৎনরকখি। অমরোমদা রুসিয়াগী টিম মখোয়দা চনশিল্লকখিবা পাঙ্গল অদু হন্দোক্লনবা মখোয়গী মায়কৈদগী লৈজবা পাঙ্গল পুথোরকখি।

মেটচ অদুগী ৮০ শুবা মিনিটতা রুসিয়াগী গ্লুসাকোভনা পাঙ্গল অমা চন্দুনা শোৎখিবা পাঙ্গল অনীগী মনুং দা অমা হন্দোকপা হৌখি।

রুসিয়াগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু গ্লুসাকোভকী পাঙ্গল অদু নত্তনা মখা তাবা পাঙ্গল অমত্তা লৈখিদবদগী স্লোভাকিয়ানা রতিসয়াবু ২–১ দা থোইখি।

**Euro Cup 2016 Match Result**

| Date | Match | Score |
| --- | --- | --- |
| 14/06/2016 | Austria vs Hungary | 0-2 |
| 15/06/2016 | Portugal vs Iceland | 1-1 |
| 15/06/2016 | Russia v Slovakia | 1-2 |

**Match on 16/06/2016**

| Date | Match | Time(IST) |
| --- | --- | --- |
| 16/06/2016 | France v Albania | 01.30 AM |
| 16/06/2016 | England v Wales | 7.30 PM |
| 16/06/2016 | Ukraine v Northern Ireland | 10.30 PM |

# জিম্বাব্বেবু অহুমশুবা মেটচতসু থোইদুনা সেরিজ ৩–০ দা ইন্দিয়ানা লৌখ্রে




হরারে, জুন ১৫ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিম্না অতেনবা টুর অমগী মনুং চন্না ৱান দে মেটচ ৩ গী সেরিজগী মনুং চনবা ঙসি জিম্বাব্বেগী সহর হরারেদা শান্নবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অদুদা মেটচ অহুমক মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচ অদুগী টোস জিম্বাব্বেনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌবগী ৱারেপ লৌখি। মদুদা জিম্বাব্বেগী টিম অদুনা ওভর ৫০ গী মেটচ অদু মপুং ফানা শান্নবা ঙমখিদবগা লোয়ননা টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক ওভর ৪৩ শুবগী অনীশুবা বোলদা থোইদুনা সেরিজ অদু লৌবগা লোয়ননা মেটচ অহুমক শিং নানবা থোইবা ঙমখি।

জিম্বাব্বেগী মায়কৈদগী টোস ঙমদুনা বেট্টিং তৌরকপা অদুদা শান্নরোই অমত্তা রন ৪০ য়ৌবা ঙমখিদে। টিম অদুগী অহুমশুবা বেটসমেন ওইখিবা বুসি সিবান্দনা বোল ৭১ দা সিক্স ১ গা ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৮লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি।

ওপনর চমু চিভাভানা বোল ৬৬ তা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরম্বা অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি। মাপনশুবা বেটসমেন নিভিল মাদজিভানা আওট ওইদনা রন ১০ লৌখিবা অদু পনবা য়াখি। অদুগা অতোপ্পা বেটসমেনশিং দি রন ৯ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে। মখোয়গী অপুনবা স্কোর রন ১২৩ লৌখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোল্লর জসপ্রিট বুমরানা পুন্না ওভর ১০ লংবদা শুপ্নগী রন ২২ খক পীরগা ৱিকেট ৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। অদুবু রন য়াম্না পীদবা পার্ফোমেন্সকী ওইনদি ইন্দিয়াগী অজার পটেলনা ওভর ১০ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৬ খক পীখিবা অদুনা ওইখি।

মায় পাক্লনবা রন ১২৪ লৌবগী তঙাইফদবা লৈখিবা অদু ইন্দিয়াগী ওপনর লোকেস রাহুল অমসুং ফাইজ ফাজলনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৬৩ অমসুং ৫৫ লৌখিবা অদুনা মায় পাকপা ঙমখি।

সেরিজ অসিগী ওইনা লোকেস রাহুলনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোই ওইখি অদুগা ঙসিগী মেটচ অদুগী ওইনা বুমরানা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

# জর্মনিগী মেয়র অমসুং জ্বেরেব ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

হেল, জুন ১৫ ঃ

জর্মনিগী সহর হেলদা পাঙথোক্লিবা গেরি ৱেবর ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা জর্মনিগী শান্নরোই ফ্লোরিন মেয়র অমসুং এ জ্বেরেব ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা জর্মনিগী ফ্লোরিন মেয়রগা লম্বা তৌগদবা অদুনা নিসিকোরি মশা ঙমদবদগী শান্নবা থোরকখিদবনা মরম ওইরগা মেয়র টুর্নামেন্ট অসিগী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মেয়রনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবা জপানগী ৱাই সুগিতাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বা ইটালিগী এন্দ্রি সেপিগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী শান্নরোই অনী লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট এ জ্বেরেবনা বি বেক্করবু ৭–৫ তা থোইদুনা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নবা হৌরকপদা এ জ্বেরেবনা গেম ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ বেক্কর মখা তানা শান্নবা ঙমদদুনা মেটচ অদু জ্বেরেবনা লৌখিবনি। মহাক্না ক্কার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই দি ব্রাউনবু ৭–৫, ৭–৬ (১০–৮) তা থোইরম্বা সাইপ্রসকী মার্কোস বাগদাটিসকা শান্নরগনি।

নাকল অমরোমদা লন্দনদা চথরিবা ক্কিন্স ক্লব গ্রাস কোর্ট টেন্নিট টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুদবু য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনখিবামেটচ অমদা ৭–৬ (১০–৮), ৭–৬ (৭–১) তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইখি।

# ওর্গনাইজরনা মান্নবা শেনফম পীরগনি হায়বগী পালিকল শান্নরগনি



ন্যু দিল্লি, জুন ১৫ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা স্কৱাস শান্নরোই দিপিকা পালিকল হৌখিবা চহী ৫ অসিদা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পার্ফোমেন্স ফজদুনা রেঙ্কিংদা লৈরক্লবসু নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াদনা লাকখিবা অদু চেম্পিয়ন্সিপকী দিরেক্তরনা টুর্নামেন্টশিংদা পীবা নুপা অমসুং নুপীগী শেনফমগা মান্নহল্লগনি হায়রকপদগী মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারগনি হায়রি।

মমাঙদা পালিকলনা ইন্দিয়াগী নেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিংদা পীবা শেনফম অদু খেৎনবদগী নেসনেল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিদবনি। জুলাই থাদগী পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী দিরেক্তর ওইরিবা নিরজ সিরগাওকরনা ফোঙদোরকখিবদা নুপা অমসুং নুপীগী ৱিন্নর ওইবশিংদা মান্নবা মওংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ ১.২৫ পীগনি হায়না লাওথোকখিবদগী পালিকল শরুক য়াগদৌরিবনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*